# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 16-03-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা অসাম রাইফলসকী আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-রাভরুপকা ঙরাং উন্নদুনা ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ভারত ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি নারোলদা আইননা য়াদবা পোৎলমশিং আইনগী ৱাংমদা লল্লোন ইতিক্কী থবক তৌরিবা অমসুং নারোলদা মী চংশিল্লকপশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা মেজর জেনরেলদা ঙমখৈ পরিং অসিদা মীতোপ চংশিনবা, আইনগী ৱাংমদা লল্লোন ইতিক তৌরিবশিংগী মথক্তা, অকনবা মীৎয়েং চংদুনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্লক্তনবা পাউতাক পীখি।

নীংশিংবা য়াই, রাজ্য সরকারনা মোরেদা রাজ্যগী য়াম্লবা পুলিস কম্মান্দোশিং থাজিনখিবা লৈখ্রবনি। অসাম রাইফলস অমসুং মফম অদুদা লৈরিবা কেন্দ্রগী আর্মদ পুলিস ফোর্সশিংদা মফম অসি হেন্না চেকশিন্না ঙাক শেন্নবা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

**টুর (এল)ঃ** রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনর্ফোমেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্সকী মখাদা ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) না শিনদুনা নুপী পাউমীশিং খক্তগী ওইবা খোঙচৎ অমা অন্দমান ইথৎতা ঙসি চৎকদৌরি।

খোঙচৎ অসি মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মুখ্য মন্ত্রিগী ওফিসিএল রেসিদেন্সতগী ঙসি অয়ুক লমথাগনি।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা লৈহন্নবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা থিবা হুন্ববগী থবক পাক শন্না চত্থরি।

মনিপুর পুলিসনা সোসিএল মিদিয়া থাগৎলকপা ৱারোল অমদা হায়- নেসনেল হায়ৱে অনি অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ তা পুন্না মাল পুবা গাড়ি ৩৮০ ইম্ফালোমদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ঙরাং চংল্লকখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খুলগী লুচিংবশিং, লন্নাই লুপশিংগী লুচিংবশিং অমসুং মৈরা পায়বীশিংগা উন্নদুনা শান্তি থমবা ৱারী শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-সেরৌ রিলিফ কেম্পতা লৈবা মীওইশিং, কুকি চীফ এসোসিয়েসন অমসুং কুকি ইনপি-চান্দেলগী মীওইশিং, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইনচিংবশিংগা উন্নখ্রে।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাদা জিলা অদুগী নহাশিংদা অগাপথ স্কিমগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীখ্রে। স্কিম অসিগীদমক তেংবাংনবা হেল্প দেস্ক অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। মসি থা অসিগী ২২ ফাওবা মথৌ তৌগনি।

**মৈ (এল)ঃ** হৈরাঙ্গোই থোংদা ঐচ.টি. পোল য়ুংনবগীদমক এলভেন কে.ভি. নম্বুল ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা ঙসি অয়ুক পুং ৮ দগী ১১ ফাওবা মৈ মুৎকনি হায়রি।

এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়-মোংশাংগৈ, চিংথাম লৈকাই, হৈরাঙ্গোই থোং, এলাংবম লৈকাই, তোপ লৈরকনচিংবা মফমশিংদা হায়রিবা মতম অসিদা মৈ ফংলোই।

**ইলেক্সনঃ** ইলেক্সন কম্মীসননা লোক সভা মীখলগী মতম ঙসি লাউথোক্লগনি। মীখলগী মতম অসি ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা ন্যু দিল্লিগী বিগ্যান

ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা লাউথোক্কনি। হৌজিক চৎলিবা লোক সভাগী মতম জন্ ১৬ তা লোইগদবনি। ইং ২০১৯ দা লোক সভাগী মীখল এপ্রিলদগীনা মে ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোকখি।

কুমসিগী মীখল অসিদসু হায়রিবা মতম অসিমক্তদা তাঙ্কক ৭ থোকা পাঙথোক্কনি।

লোক সভা মীখলগী মতম লাউথোকপগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মীসননা রাজ্য খরাগী বিধান সভা মীখলগী মতমসু লাউথোক্কনি।

মনিপুরগী ওইনা লোক সভা মীখলগীদমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা সি.পি.আই. নত্তনা অতৈ দলশিংগী মীরেপশিং লাউথোকপা লৈত্রি। দল অসিগী মনিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী হান্নগী ষ্টেট সেক্রেটরি হৌজিকা ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেস মনিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি-লাইশ্রম সোতিনকুমারবু ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**ই-ভহিকলঃ** কেন্দ্র সরকারনা ই-ভহিকলগী অনৌবা থৌশিল অমা হৌদোক্লে। মসিনা লৈবাক অসিদা ই-ভহিকল শারিবা ইন্দস্ত্রিজশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংগনি। লোয়ননা ই-ভহিকলকী ইন্দস্ত্রিজশিংদা শেল থাদবগী চাংসু হেনগৎহল্লগনি। মেক ইন ইন্দিয়া হেন্না মপাঙ্গল কল্লহনবগা লোয়ননা থৌশিল অসিনা খ্বাইদগী নৌবা তেকোলোজিম মীয়ামদা পীবা ঙম্লগনি হায়রি। মসিনা মীয়ামগী মশা মউ ফনা থম্বতা নত্তনা শেলগী চার্দিংসু নিংথিনা হন্থহনগনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ঐখোয় অৱাবা তাঙ্কক অমদা লৈরবসু দিবলপমেন্টকী থবকশিং লেপ্তুনা পায়খৎলি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখিবা, পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক পুং ২৪ তেনশিনখিবা অমসুং লোক সভা মীখলগী মতম ঙসি

লাউথোক্লগনি হায়বা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

তুংগী মীরোল অশোস অঙাম থোক্তনবা খরা খাংশি, মীয়াম পাখৎপীগনু খুদোংথিবা খুদিংমক থেংননবা শেম শারে হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মনিপুর ন্যুজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। ৱাফম অসি মুখ্য মন্ত্রিনা মিণি স্পোর্টস কমপ্লেক্স শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোংদোকখিবনি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউ-চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

মহৈরোইশিংগী য়েংদুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিগা লোয়ননা এন.আই.এনা ফাখিবা পান্মৈনা লুচিংবা য়ু.এন.এল.এফকী কেদর অহুম নুমিৎ তরানি রিমান্দ লৌথখ্রে হায়বা সব হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, মনিপুর ন্যুজ, সনা লৈবাক, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, হুইয়েন লানপাউ পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি মিলিটেন্টশিং হনদ্রি, সঙাইথেল তমা য়াম্বলা বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকখ্রে হায়বা মেন হেদলাইন অসিগা লোয়ননা কম্বাইন্দ ফোর্সনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা পুং অমরোম চুপা খুৎ থোকখ্রে, খুল ঙাকপা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী থৌমী অমা বঙ্করদা ৱাস্থরকপদগী লৈখিদ্রে হায়বা সব হেদলাইনশিং হুইয়েন লানপাউগী অহানবা পাউ ওইরি।

ঙসি নুংথিল লোক সভাগী মীখলগী মতম লাউথোক্লগনি হায়বা পাউ অসিনা পাউচে অসিগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইলেক্তোরেল বোননা বি.জে.পিগী করপসন তোবগী থৌওং মপুং ফানা উৎলে হায়না কংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি-জয়রাম রামেশনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফমগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এস.বি.আইনা পুথোকখিবা ইলেক্তোরেল বোন দিটেলস মপুং ফাদে

হায়না সুপ্রিম কোর্টনা খঙহল্লকখিবা ৱাফম মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঙরাংদগী হৌখিবা ক্লাস টেনগী মেত্রিক পরিক্ষাদা মহুৎ শিল্লগা পরিক্ষা থারম্বা মহৈরোই অনি তাম্থোকখি হায়বা পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

য়ু.এন.ঐচ.আর.সি. সেসনদা খুরাইজম অথৌবা শরুক য়ারগনি হায়বা পাউ অসিনা মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সি.পি.আইগী নত্তনা মনিপুরগী মীরেপশিং লাউথোক্ত্রি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিগী এঙ্কল কলমদা ফোংলি। মুখ্য মন্ত্রিনা মিণি স্পোর্টস কমপ্লেক্স ফুটবোল ফিল্ড শঙ্গাখ্রে। লৈবাক্কী ৱারবা মতমদা বন্দ তৌবিগনু হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখিবগী পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কুকি খুৎলায় পাবশিং অমদি গোরখা রেজিমেন্ট অনিগী মরক্তা ন্যু কৈথেলমানবীদা খুৎ থোকখিবগী পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

পুং ৪৮ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক পুং ২৪ দা তেনশিনখ্রে, জেনরেল ষ্ট্রাইকনা মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীখি হায়বা পাউ অসিনা গানফিয়ু মেল অমসুং হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

অসাম রাইফলসনা মরম চাদনা নোংমৈ কাপ্পগী মায়োক্তা রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মনিপুরনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাদা পুং তরুক্কী ওইবা টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখিবগী পাউ তমেংলোং টাইমস অমদি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লামাইদা ফোংলি।